# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

মতম শাংনা মণিপুরদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরখ্রে। অদুবু মতমগী য়াওলনা ইথা থাজদনা মপান মরূ ফাওবা ফূকখ্রে হায়বা য়াই। চহী লিশাং শিৎনা পাল্লকপা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অদু মণিপুর মীয়াম্না মূত্থৎখ্রে। পোলিটিক্স হায়বসি তরাইনা খক লৌবীরুনু। মপান ফরিঙৈ তৌনীং-তৌনীংবা তৌবা ঙস্লম্বদু ঙসিদি কোংগ্রেস পার্টিসু-মীয়ামসু পূন্না ৱাখল তামিন্নরে। মতম অমগী শেঞ্জা থুমজা কয়া তৌরম্বদু ঙসিদি মীয়ামসু, পোলিটিকেল পার্টিশিংসু ৱাখল খরদি তামিন্নরে। কোংগ্রেসকী চক থাজদনা লোইখ্রে। অমুক হন্না হিংগৎলক্কনি থাজবগী ৱাংমদা লৈখ্রে। লৈঙাক পায়রিঙৈ মখৌ পোংনা লাউরম্বা কয়াদু থাজদনা লৈঙাক পায়বা ঙম্লক্তবদা ৱাখল ফজনা তানরম্লগনি খল্লি। তাফমসু থোকই। মসি পূম্নমক মতমগী য়াওলনি খনবদি অরানবা ওইগনি। মপান ফরিঙৈ ঙাঙলম্বশিং মশানা মরূ ফংনা ৱাখল তাবা মতম ওইরে। অশিবা মী কৈদৌনুংদা অমুক হিংগৎনদে।

মসিগী পারা মতম মতমগী লোয়নরম্বা পোলিটিকেল পার্টি পূন্না হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদবমখৈ তোরা তুরক্লে। মপূং ওইনা পোলিটিক্সসি মতম অমদা তরাই তরাই খন্নরম্বদু ঙসিদি মদুগী মতম লোইখ্রে। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা লাইরিক হৈবা মখৈ মন্ত্রি পীদবসু অর্থ য়াম্না লৈনা লৌনরক্লে। পোলিটিক্সসি লাইরিক হৈবা দরকার ওই। তশেংনমক আইন শেমগদৌরিবা মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন মশক মুন্না খঙবা দরকারনি। অসুক লুখ্রবসিদা মশাগী ক্লাস য়াওদবশিংনা এম এল এ ওইদুনা কারকপা হায়বসি মশা মশানা ৱাখল তাফম থোকপনি। ৱাখল য়াওদবশিংনা ইন্দিয়াগী আইন শেম্বদা য়াওবা হায়বসি তরাইবা নত্তে। মমাঙদসু পঞ্জখ্রবা - পোলিটিক্স তৌবীগে খল্লবদি য়ামদ্রবদা বি এ পাস তৌবা চঙই। মদুসু বি এ পাস তৌবদা পোলিটিকেল সাইন্স লৌরকপা তঙাইফদে। বি এস সী, ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র তম্বা-পাস তৌবসু থোইনা দরকার ওইদে হায়না ফাওবা খনবা য়াই। মপূং ওইরবদা বি এ পোলিটিকেল সাইন্স পাস তৌবসি মপুংদা দরকারনি।

মসিগী মথক্তা ইংলিস, হিন্দি য়ামদ্রবদা লোন অহুমগী মরমদা য়াম্না কূপ্না খঙবা দরকারনি। শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ পঙ্গ য়েংলগা মিনিষ্টর ফম পীবসিসু অচৌবা অশোয়বনি হায়না লৌদবা য়াররোই। মহৈরোয় ওইরিঙৈ নোট তৌরগা ইংলিস, হিন্দি, মমালোল ফাওবা মমুৎ তানা খঙদবশিংনা এম এল এ ওইবসি মশাগীদা নত্তনা মীয়ামগী অচৌবা দশা অমনি। এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরগা দেল্লীদা চৎলগা করিনা ৱারী শানরুগনি খল্লুবদা ইকায়নীংঙাইনি। মসিমক্কা সেন্টরনা উশিৎপীরোই। মরম অদুনা ভোট লেপকে খল্লবদি য়ামদ্রবদা বি এ পোলিটিকেল সাইন্স লৌবা দরকারনি।

তশেংনমক এল পি স্কুলগী ওজা ওইবগী তঙাইফদবা ক্লাস, হায় স্কুলগী ওজা ওইবগী তঙাইফদবা ক্লাস, কোলেজ ওজা ওইবগী তঙাইফদবা ক্লাস করিনো খঙনবগুম এম এল এ ওইগে খল্লবদি, পোলিটিক্স য়াওগে খল্লবদি করি মচাক চঙবগে হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাঙলোন শেমদোকপা চঙই। মতাংসিদা নীংশিংমীন্নবা য়াবদি শম্না হায়রবদা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী এম এল এ পূম্নমক দেল্লীদা কৌদুনা চঙখ্রে। মসিমক য়াম্না তোইনা তান্নরিবশিংনি। ইংলিস, হিন্দি ঙাংবা ইবা হৈতবশিংনা করি করম্বা পাম্বৈনা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নরগা ৱারী শানবদা করম্বা পাম্বৈ লৈগনি। এম এল এ, মিনিষ্টরগী পি এনা মিনিষ্টরগী, এম এল এশিংগী মহুৎ শিনবা য়াদবা মতাং কয়া লৈতবা নত্তে।

মসি পূম্নমক্তগী খ্বাইদগী লুরিবদি ঐখোয়গী মণিপুরী লোল অসি ইন্দিয়াগী সেদ্যুলদা চল্লবা অসি ফাওবা মণিপুরগী ওফিস খুদিংমক্তা ঙসিগী এম এল এশিংনা চৎনহন্দবসি খ্বাইদগী অশোনবনি। হন্দক্কী টর্ম অসিদা মণিপুরিবু ঐখোয়গী ওফিসল ওইনা চৎনহনবগী তঙাইফদবা অমনি খনবীয়ু। মসিগী মথক্তা খুঙ্গংগী প্রধান, মেম্বরশিংগী ভোটকী মতমদসু লাক্কদৌরিবা মীখলদা শেমদোকপীদুনা তুংগী মীরোলগীদমক হেন্না খন্থবা মতম ওইরে।

ঙসিদি বি জে পিগী লৈঙাক অনৌবা অমা মপূং ফানা লাক্লে। বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অমনি কোংগ্রেসকী মতমদা অওনবা অহোংবা পুরকপা ঙমখিদবশিং বি জে পিগী অহোংবা লৈঙাক লৈহনবা দরকারনি। ঙসিগী পোলিটিক্সতি ঙাঙবগী মথৌ তাদ্রে। ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা উৎথোকপা মতমনি। চহী লিশাং শিৎনা কোংগ্রেসকী ঙাঙবগী পারা নুপী অঙাং মীয়াম খুদিংমক লোইনা খঙনরে। হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাক অসি চিনগা খূৎকা মান্নহন্দুনা অনৌবা মণিপুর, অওনবা মণিপুর ওইহল্লসি। লৈবাক মীয়াম তিনবা মতমদা ফজ ফজরবা ভাসন পীরগা মীয়ামগী খূবাক লৌবিরনু। বি জে পিগীদমক অওনবা অহোংবা থবক ওইনা ওন্থোক্লসি। মপূং ওইনা আই আর বিগী থবক লৌবগী ফল হায়দোক্কনি হায়না মীয়াম মমাঙদা ফোংনা লাউথোক্লগা ঙসি ফাওবা হায়দোকপা ঙমদবসি অচৌবা অশোনবা অরানবনি হায়দবা ঙম্লোই। মরমদি পার্টিগী লিদর অমনা ঙাঙবা লানহনবসিদি অফবা খুদম ওইগনি নীংদে। মসিগী মথক্তা কৈবুল লমজাওদা শাগনি হায়না মফম মফমদা লাউথোক্লম্লগা মোইরাং খুনৌদা শাগনি হায়বসিসু চীফ মিনিষ্টর অমগী ঈজৎ শোকপা ওইরোইদ্রা। কোংগ্রেসকী চহী শাংনা পাল্লম্বদু জবান ঙাক্তবা নোংম নোংমগী অশোয়বা অশোনবনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস মূৎখিবনি। বি জে পিসু চহী শাংনা পায়রকপসু নত্তে অহৌবদা অশোয়বা লৈরবদি মখা তাবদি মীয়ামগী মতেং ফংবা ৱাগনি। মীয়াম্বু ৱাজাও ঙাঙবনা হোইদুনা পুবা য়াবা মতম নত্তে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা নিশাগী কল্লবা ঈহৌ শমথনবগীদমক খোংজং য়াঙনা চঙশিনবা মরক্তা য়ু লিগেলাইজ তৌগনি হায়রকপসি 'ৱার ওন ড্রগস' কেম্প্যেনগী মায়োক্তা য়ুবু লিগেলাইজ তৌগনি হায়বসিমক হেন্না চনিং তানা খন্থবা দরকার লৈরব্রা? ড্রগতগী হেন্না শাথীরবা য়ুনি। য়ু থক্লগা ফোংনা ফোংনা মী হাৎনরক্লি, ইমুং মনুং ঈরাং থোক্লরিবনি।

মপূং ওইনা য়ু থিংবা হায়বসি য়াম্না লায়না ঙম্বনি। ইম্ফাল মনুংদা য়ু ফজনা য়োল্লি। য়ু য়োনবশিং ফাগৎপগী মহুত্তা মরী লৈনবশিংনা কনখৎতুনা থল্লিবরা হায়বা ৱাহং অমা চোঙথোরক্লে। ৱাহং অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী সী এমনা 'ৱার ওন ড্রগস' পু লৈঙাক্লা থম্মোয় শেংনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি। মসিগী মখা তাবদা য়ুবুসু থিংদ্রবদি লৈবাক ঈরাং হেন্না থোক্কনি। ঙসি য়ূমথোঙ খুদিংদা য়ু ফংনরে। পান দুকান অয়াম্বা য়ু য়োল্লে। য়ুবু ফ্রি থাদোক্লবদি ৱার ওন ড্রগসসু ফ্রি থাদোকপা তারবরা। চিনগা খূৎকা মান্নদ্রবদি বি জে পিসু কোংগ্রেসতগী হেন্না শাথীবা পোলিটিকেল পার্টি ওইরক্কদৌরিবরা হায়বা ৱাহং হেন্না চোঙথোরক্লে। মণিপুরসি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মূত্থৎকদৌরিবরা? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মাও কৈথেল অকোইবগী শক্তম

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মতম অমদা লম্বীগী চিদাইদা মচি মচিদা পোৎফম ফম্বা অমদি হোটেল মচা মচা ফম্বা তৌনরম্মী। মদুনা অচৎ অওকশিংবু অৱা পোত্থাহল্লি, অরাম খৌরাংবা কোকহন্নে। মতমগী য়াওল মতুংইন্না হৌজিক্তি অতোপ্পা মফম কয়াদা তৌনবগুম ইম্ফালগী ময়োলদসু ষ্ট্রিট ফুদ অসি কোইনা চৎতুনা য়োনবা নত্তনা কৈথেল ওইনা শেমগৎনরক্লি। মসি অফবা খুদমনি হায়না লৌবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে। সহরগী চিদাইদা ফাষ্ট ফুদ অমদি রেষ্টুরেন্ট মফম কয়াদা মশীং থিঙমদনা লৈখ্রে। হৌজিক্লা ষ্ট্রিট ফুদ অসি ইম্ফালগী ময়োলদা মফম কয়াদা মসা মরেং শন্দোরক্লি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি হৌজিক হৌজিক টেম্পররি মাও কৈথেল ফল্লিবা চীংমৈরোং কবো লৈকায়গী নোংচুপ মফম অসিদা হান্না ষ্ট্রিট ফুদকী পুথোক পুশিন তৌবা পোৎফম ১/২দং তেক তেক তৌরম্বদগী হৌজিক্তি মশীং য়ামখৎলকপদা নত্তনা টেন্ট কয়া খনগৎলক্তুনা লেপ্পা লৈতনা মশীং হেনগৎলক্লি। পুরক্লিবা টেন্ট অমদি মপোৎ মচৈ ময়াম অদু হান্নদি পুথোক পুশিন তৌনরম্বনি অদুবু হৌজিক্তি মাগী মাগী দুকান অদু মফম লেঙদনা থমদুনা পোৎ চৈ ময়াম অদু অমুক পুথোক পুশিন তৌনদ্রে।

ৱাফম অমনা মণিপুরগী মশক নাইবা সী এস ওশিংনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা চহী ৭ চঙনা কন্না হোৎনদুনা লিশাং শিৎনা মফম কয়াদা মাও কৈথেল হোং হোংদুনা লাকখি। মতম অমদা চীংদগী লাকপা মীওই কয়াবু কৈথেল ফমহন্দবা য়াওখিদবা নত্তে। অদুগুম্বা অদু অমুক থোক্তনবা চীংমী ইচিন ইনাওশিংগী য়াইফনবা অফবা মরী শাগৎতুনা কায়নথংদা লৈঙাক্লা অয়াবা পীবীদুনা হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদা মাও কৈথেল অসি মতম খরগী ওইনা শেমগৎখিবনি। চহী কুমওন ফারকপগা লোয়ননা মফম অসিমক্তদা থৌরম পাঙথোকখিবসু লৈখ্রে।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি পূম্নমক হিংননবা লাম্থেং অমদা থোক্লকপনি হায়রগসু মানা মানা অপাম্বা মওংদা থোক্লকপা তারগদি মদু অফবা খুদম নত্তে। অসোমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংদা মচা-মশু থাকপা ঙম্নবা অথিংবা কয়াগী মরক্তা অয়ূক ঙাইহাক্তং ওইরবসু পুলিসনা তানদ্রিঙৈ, চাইখাইদ্রিঙৈ হিংননবা লাম্থেংনরি। য়েংশিনবা ৱাৎপদগী নুপী পোৎলক্তা নুপা ফম্লম্বা লৈখ্রে। লৈঙাক্কী পোলিসি অমগী মতুংইন্না ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়াবু মফম চানা শিন্দুনা মশক থোকপা লূ-নানবা সহর অমা ওইননবসু হোৎনরি। অদুগা মফম খরদনা মনিং মমাঙ হোত্রোং হোরি। নোংমা নোংমগী মাও কৈথেল কাঙবু অমনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লি। লেপ্পা লৈতনা মফম কন্দুনা ফম্নরি। দুকান মশীং য়ামখৎলকপগী মতিক মোৎপসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। পূম্নমক অসি মীৎয়েং চঙশিঞ্জহন্নীংই।

কোনুং মনাক্কী এদভান্স হোস্পিটালগী মমাঙ পরেং ষ্ট্রিট ফুদ, য়ূম য়ূমদা দুকান তৌনবগুম মফম চাবা মফমদা তৌরবদি অফবা ওইগনি। নৎত্রগনা হিংনবগী লানফমদা থোক্লক্লিবা ষ্ট্রিট ফুদ কাঙবুগীসু মফম চানা অমদা শিনবীবা অফবা থৌশিল ওইগনি। ফম্বা চল্লবদি হিপ্পা চল্লি হায়নবদৌনা দাবী লাক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্কী, মাও কৈথেলগী অমদি ষ্ট্রিট ফুদ কাঙবুগী পূম্নমক্কী য়াইফনবা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা থৌরাং অমা লৌখৎলু। নৎত্রবদি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল ষ্ট্রিট ভেন্দর তানখায়বা অমদি মাও কৈথেলগী নুংগী ওইবা ফজবা ৱাহম্থোক তৌশিন্নবা ওইনা থোক্কনি। নাদ্রিঙৈদা লায়েংহৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। মরী লৈনবশিংগী মফমদা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - লাঙম্বা মঙাঙ*
চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক, ইম্ফাল

## ষ্টেটকী পাউ

# পেত্রিওটস দেগী মাঙওইননা বি বি পোল মেন্টেল দিবলপমেন্ট হোমদা লম তু শেংখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পেত্রিওটস দে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ইন্টরনেসনল মুতুম ট্রষ্টনা শিংদুনা ঙসি মোংশাংগৈদা লৈবা বি বি পোল মেন্টেল দিবলপমেন্ট হোমদা লম তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হোম অসিগী শঙলেনগী শরুক খরসু শেমজিন শাজিনখ্রে হায়না ট্রষ্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল মুতুম ট্রষ্টকী ট্রষ্টি ফাউন্দর মুতুম প্রিয়োনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়াওনা মপান্দা চোইনা খুন্দাখিবা মুতুম শাগৈগী ওইনা শেমখিবা অপুনবা লূপ ইন্টরনেসনল মুতুম ট্রষ্টনা লমদম অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্কদবা পেত্রিওটস দে থৌরমগী মাঙওইননা সোসল সর্বিস কেম্প অসি পাঙথোকপনি। লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মীরোলনা থৌনা ফরবা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদু ঐখোয়না নীংথিনা খঙদুনা তুং ইন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই। মরুওইনা হৌরক্লিবা মীরোলদা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল্লোনশিং হেন্না ফাওহনবগী তঙাইফদবা লৈ। হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি ফাওরক্লবদি লমদম অসি তংদু লৈতাবা লমদম অমা শোয়দনা ওইবা ঙমগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

> **GOVERNMENT OF MANIPUR**
> **OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**
>
> **NOTICE FOR OBJECTION**
> **Imphal, the 11th August, 2022**
>
> **No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Vibrant Music Institute"** address at Emmanuel Home, Laimanai, Langol, Imphal West on 10-08-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Laimanai, Langol"**.
>
> In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.
>
> Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.
>
> Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9089297211 for any information)**
>
> *Sd/-* **I. Rajen**
> Deputy Registrar of Societies,
> Imphal West
>
> HL-P/3651/12

> **PENSION BOOK LOST**
>
> I, Th. Letpu Kom have lost my original Pension Book of Indian Reserve Batallion bearing no. SM/22651 on the way between RIMS to Nagamapal on 10th August, 2022. Finders are kindly requested to handover or contact to the undersigned.
>
> Sd/- **Th. Letpu Kom**
> # 6009121476
>
> HL-P/3802/12

> **ORIGINAL CERTIFICATE LOST**
>
> I have lost my Original Certificate of Pre University Examination of 1990 issued by Manipur University bearing Roll No. 3634 on 11th August, 2022 on the way between Singjamei to Canchipur. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
>
> Sd/- **Jibanmala Okram**
> # 8974099681
>
> HL-P/3803/12

> **লাইশ্রম সুধাকরদা অপেনবা ফোঙদোকচরি**
>
> 
> সুধাকর (শামু)
>
> ঐগী কিডনীদা নুঙ লৈবীবদগী আ-দ-কো সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই ইম্ফাল মনাক্তা লৈবীবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা ঐবু লায়েংবীবদগীকো ঐগী নুঙদো তাহনবীখ্রে মসিদা হরাওমনবনা মাবু ঐনা পাউচেগী থোঙদা অপেনবা ফোঙদোকপীবনে।
>
> Sd/- **Poukendinang Pamei**
> Tamenglong Ward No. IV
>
> HL-P/3389/12,13,14

> **IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**
> **Ref :- Mutation Case No. 177/SDC/(WKG) of 2022.**
> **Dated: 10/08/2022**
> App :- Ngasepam Mangibabu Singh S/o Ng. Gulapi Singh of Thongam Khunou.
> -Vs-
> Opp :- (L) Ningthoujam Sanajaoba Singh S/o (L) Tomba Singh of Thongam.
>
> **NOTICE**
> Dated : 10/08/2022
>
> Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 82-Thongam পাট্টা নং 87 দাগ নং 1005/1309 এরিয়া 1.25 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।
>
> **Sd/- Sub-Deputy Collector,**
> Waikhong
>
> HL-P/3391/12

> **পাউচেনচবা**
>
> লাক্লিবা চৈচৎ ১২/৮/২০২২ থৱানগী থানিল ইরাই নুমিৎকী মঙাং পুংজা ৭তগী পুংজা ১০ ফাওপা মীফম পাঙথোকচকনি। লাংপনগী নোংমা পানবা পন্থৌ শাফোঙলকপা মেরাগী নোংমা পানপতগী মেরা ফমপাল তোংবা, পন্থৌ শঙলেন লাইবুং হরাও থৌনী ইরাৎ পাঙথোকপকী ৱারমতা খন্ন-নৈনগনি। থৌশিল থৌতাং পুমিন্নরকপশিংনা থৌশিল থৌতাং পাঙথোকমিন্ননবা পন্থৌগী লাইনিংলোই খূদিংমক্তা পাউচেঞ্জরি।
>
> **মতম - মঙাং পুংজা ৭ তগী ১০ ফাওবা**
>
> **মফম - নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোন থলো শিপি লোক সেলোই লংমাইচীং, ইম্ফাল নোংপোক**
>
> পাউচেঞ্জরিবা : **সেক্রেটরি**
> **ইমা লৈশেম ইনাৎ লোইশঙ**
>
> HL-P/3647/11,12

> **দশা য়েংজরি**
>
> 
>
> চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্নবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।
>
> *Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
> Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
> Imphal East, Manipur
>
> HL-B/7793/11/8-11/9

> **ফংবীরগনি ফংবীরগনি**
>
> খূৎনা শাবা Mechanized Kilan দা ইতপা First Class Bricks ফংবীগনি।
>
> Sd/- **N.N.M. Brick Field, Meitram Awang**
> ***Please Contact :*** **8794143991**
> **6909186808**
> **9863233401**
>
> HL-P/3643/10,11,12

> **IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**
> **Ref :- Mutation Case No. 399/SDC/Sugnu of 2022.**
> **Dated: 11/08/2022**
> App :- Sorokhaibam Shingarei Devi W/o (L) S. Ibobi Singh of Pangantabi.
> -Vs-
> Opp :- (L) Sorokhaibam Ibobi Singh S/o (L) S. Tomchou Singh of Pangantabi.
>
> **NOTICE**
> Dated : 11/08/2022
>
> Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 88-Nungoo Wapokpi পাট্টা নং 199 দাগ নং 1045 এরিয়া 1.02 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।
>
> **Sd/- Sub-Deputy Collector,**
> Sugnu
>
> HL-P/3391/12

> **মতমগী মণিপুর খূৎপায় ফংবীগনি**
>
> Universal Study Centre না পুথোকচবা "মতমগী মণিপুর খূৎপায়" (মরিশুবা মশীং) ২০২২-২৩ হান্নগী ফংফম ১২ অমসুং অতৈ লাইরিক য়োনফমশিংদগী ফংবীরগনি।
>
> Sd/- **থোকচোম গোপিমোহন**
> Secretary,
> # 7005064522
>
> HL-P/3650/12

> **DEATH CERTIFICATE LOST**
>
> I have lost my husband's Death Certificate in the name of Nongthombam Sanjitkumar Singh bearing Registration no. 795 issued by JNIMS Hospital, Imphal on 14th March, 2018 on the way between Thoubal Wangkhem to Canchipur on 10/08/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.
>
> Sd/- **Nongthombam (O) Nandita Devi**
> W/o Late Nongthombam Sanjitkumar Singh
> Wangkhem Junior High School Maning,
> Thoubal
>
> HL-P/3662/12

> **MANIPUR DRAMATIC UNION**
> ***Presents***
> সৌগাইজম বীরেন্দ্রগী
> **"টিকেন্দ্রজিৎ"**
>
> নুমিৎ : তাং ১৩-৮-২০২২ ইং, থাংজ নুমিৎ
> মতম : নুংথিল পুং ৪:৩০ (মরি মখায়)
> টিকেট মমল : লুপা ১০০/-, লুপা ৫০/-
>
> **এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর :** পি : সেতু
> **ডাইরেক্টর :** হিজম শ্যামধোনি
>
> Sd/- **T. Priyobarta Singh**
> General Secretary
> MDU, Imphal
>
> HL-P/3657/12,13

> **IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**
> **Ref :- Mutation Case No. 338/SDC/Bishnupur, 2022.**
> Naorem Hera Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Kwasiphai.
> -Petitioner
> -Vs-
> Naorem Ibomcha Singh S/o Shamu Singh of Khoijuman Khunou.
> -OPP
>
> **NOTICE**
> Bishnupur, the 11-8-2022
>
> Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Naorem Ibomcha Singh S/o Shamu Singh of Khoijuman Khunou দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur পাট্টা নং 4 (অরিবা) 262 (অনৌবা) সি:এস:দাগ নং 2205 গী 1.36 চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট খারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।
>
> **Sd/- Sub-Deputy Collector:**
> Bishnupur
>
> HL-P/3659/12

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।